

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, SEPTEMBER 09, 2019 **PAGE 7**





*ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ফুটবোল ক্লব ৱাটফোর্দতা নৌনা হেদ কোচ ওইবগী ফম পুহনখ্রবা মশাগী চহী ৪৯ শুরবা স্পেন মচা জেবী গার্সিয়া*

*ক্রিকেট মশান্নগী টেষ্ট ফোরমেট অসিদগী পোথারগনি হায়না লাওথোকখ্রবা আফগানিষ্টানগী হান্না কেপ্টেন ওইরম্বা মোহমদ নাবী*

## কনাদাগী এন্দ্রিস্কুনা য়ু এসকী সেরেনা মায়থিবা পীরম্লগা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিসকী অহানবা টাইটল লৌখ্রে

*ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সি)ঃ*

য়ু এসকী সিটি ন্যু য়োর্কতা চত্থরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কুনা য়ু এসকী সেরেনা ৱিলিয়মস মায়থিবা পীরম্লগা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা গ্রান্দ টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল ১৫শুবা সিদেদ কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কুনা ৮শুবা সিদেদ সেরেনা ৱিলিয়মসপু ষ্ট্রেষ্ট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা মহাক্কী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা কানাদাগী এন্দ্রিস্কুনা এক্সপরিয়েন্স লৈরবী য়ু এসকী সেরেনাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।



*য়ু এস ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কু*

অনীশুবা সেট শান্নরকপদা শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী গেম ৫–৫ দা মান্নদুনা লৈখি। মখা তানা শান্নরকপা গেম অনী কানাদাগী এন্দ্রিস্কুনা লৌবা ঙমখিবদগী সেট অদু ৭–৫ দা মায় পাক্কুনা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী মশাগী চহী ১৯শুরবা কানাদাগী নহা ওইরিবা শান্নরোই বিয়ানকা এন্দ্রিস্কু মহাক্না চহী অসিগী মার্চ থাদগী শান্নরকখিবা মেটচ খুদিংমক মায় পাক্কুনা লাকপগী রেকোর্ড থম্বা ঙম্লিবনি।

য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা মায় পাক্কুনা অনীশুবা সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদাল অমদি ৫শুবা সিদেদ রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা ঙসি অথেংবগী ফাইনেলদা শান্নরগনি।

২শুবা সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদালনা ঙরাং শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা ২৪শুবা সিদেদ ইটালিগী মেট্টিও বেরেট্টিনিবু ষ্ট্রেট সেট ৭–৬(৮–৬), ৬–৪, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা ৫শুবা সিদেদ রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা ঙরাং শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোপপু ষ্ট্রেট সেট অহুম ৭–৬(৭–৫), ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচতা য়ু এসকী বেথানি মাট্টেক সেন্দস অমদি বৃটেনগী জেমী মুরেনা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র চাইনিজ তাইপৈগী চান হাও চিং অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী মাইকেল ভেনসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা য়াম্না লায়না ৬–২, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলুপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ পেয়র কলম্বীয়াগী জুৱান সেবাষ্টিয়ান কবাল অমদি রোবার্ট ফারাহনা ৮শুবা সিদেদ পেয়র স্পেনগী মার্সেল গ্রোনোল্লর্স অমদি আর্জেন্টিনাগী হোরাসিওবু ৬–৪, ৭–৫ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা ফাইনেল মেটচতা ৮শুবা সিদেদ পেয়র বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকা অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা ৪শুবা সিদেদ পেয়র বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্স অমদি বেলারসকী অরিনা সবালেনকাগা থেংনদুনা টাইটল মুন্নরগনি।



*য়ু এস ওপনগী নুপাগী দবলসকী টাইটল লৌখ্রবা কলম্বীয়াগী পেয়র জুৱান সেবাষ্টিয়ান কবাল অমদি রোবার্ট ফারাহ*

## য়ুরো ক্বালিফায়রদা পোর্টুগালনা সর্ভিয়াবু ৪–২ দা মায়থিবা পীখ্রে, ফ্রান্স অমসুং টর্কিসু মায় পাকখ্রে

*বেলগ্রেদ, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সি)ঃ*

য়ুরোপকী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা চত্থরিবা য়ুরো ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টশিংগী মনুং চন্না সর্ভিয়াগী সিটি বেলগ্রেদতা শান্নখিবা গ্রুপ ‘বি’ গী লীগ মেটচ অমদা পোর্টুগালনা য়ুম্বু সর্ভিয়াবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখ্রে, অতোপ্পা গ্রুপ মেটচশিংদা ফ্রান্স অমসুং টর্কিসু মায় পাকখ্রে।

সর্ভিয়াগী সিটি বেলগ্রেদতা য়ুম্বু টিম সর্ভিয়া অমদি পোর্টুগালনা শান্নখিবা গ্রুপ ‘বি’ গী লীগ মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মিনট ৪০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীমক গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

মেটচকী ৪২শুবা মিনটতা পোর্টুগালগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ৱিলিয়ম কারভালহোনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদু গোল মাঙজিল থারিবা পোর্টুগালগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থবা ঙমদুনা ৫৮শুবা মিনট টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই গোনকালো গুইদেসনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচকী ৬৮শুবা মিনটতা গোল শোত্থরিবা সর্ভিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা নিকোলা মিলেনকোভিসনা গোল অমা হন্দোকপা হৌখি। শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা পোর্টুগালগী শান্নরোই কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। মিনট ৫ লৈরগা সর্ভিয়াগী শান্নরোই আলেকসান্দর মিত্রোভিসনা গোল অমগা হন্দোক্কুনা ২–৩ দা শোত্থদুনা লৈখি।

মথংগী মিনটতা পোর্টুগালগী শান্নরোই বর্নারদো সিলভানা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৪–২ দা সর্ভিয়াবু মায়থিবা পীরমখি।

য়ুরো ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘ঐচ’ কী লীগ মেটচ অমদা ফ্রান্সনা অলবেনিয়াবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসি হেক হৌবদগী ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি।

মেটচকী ৮শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোই কিংসলি কোমাননা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী অতোপ্পা শান্নরোই ওলিভিয়র জিরোদনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।


মেটচকী ৩৭শুবা মিনটতা গোল মাঙজিল থারিবা ফ্রান্সনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অসিগী শান্নরোই এন্টোইন গ্রিজমেননা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদবদগী ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদসু গোল অহুম মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা পোর্টুগালগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৬৮শুবা মিনটতা টিম অসিগী অহানবা গোল চনখিবা কোমাননা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮৫শুবা মিনটতা পোর্টুগালগী শান্নরোই জোনাথন ইকোননা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ৪–০ দা হেন্দুনা লৈখি। মেটচকী অরোইবা মিনটতা অলবেনিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা সোকোল সিকাল্লেসিনা গোল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু ফ্রান্সনা ৪–১ দা মায় পাকখি।

য়ুরো ক্বালিফায়িং অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘ঐচ’ কী লীগ মেটচ অমদা টর্কিনা এন্দোরাবু গোল ১–০ দা থোইবা ঙমখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিম অনীমক য়াম্না পাঙ্গল মান্নরকখি। টর্কিগী মায়কৈদগী মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী ৮৯শুবা মিনটতা ওজান টুফাননা চনবা ঙমখিবনি।



*পোর্টুগালগী শান্নরোইশিংনা সর্ভিয়াগী মায়োক্তা পাঙ্গল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

## নুপাগী হোক্কী টিম ৫শুবদা লৈরি, নুপীগী টিম ৯শুবদা হাইগৎখ্রে

*লোজেন, সেপ্টেম্বর ০৮(এজেন্সি)ঃ*

ইন্টরনেসনেল হোক্কী ফেদরেসন (এফ আই ঐচ) না ঙসি থাদোরকখিবা রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিম ৫শুবা পোজিসনদা লেঙদনা লৈরি, অদুবু নুপীগী হোক্কী টিমদি থাক অমা হাইগৎলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।

ঙসি ফোঙদোরকখিবা রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা ওষ্ট্রেলিয়ানা পুন্না পোইন্ট ২৩৫০ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। ওলিম্পিক চেম্পিয়ন বেলজিয়মনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি অদুগা য়ুরোপিয়ান ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট নেদরলেন্দসনা পুন্না পোইন্ট ২১৫৫ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

পান অমেরিকান গেমসকী গোল্ড মেডালিষ্ট আর্জেন্টিনানা পোইন্ট ১৯৮৮ ফংলগা মরিশুবা মফমদা লৈরগা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিম্না পুন্না পোইন্ট ১৮২৩ দা ৫শুবা পোজিসনদা হোংদনা লৈরি। জর্মনিনা পোইন্ট ১৭৭০ দা মঙাশুবা অদুগা ইংলেন্দনা পোইন্ট ১৬৭৯ দা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরি।

ইন্টরনেসনেল হোক্কী ফেদরেসন্না ঙসি থাদোরকখিবা রেঙ্কিং লিষ্ট অসিগী নুপীগী কাঙলুপ্তা হন্দক্তা এন্টৱের্পতা পাঙথোকখিবা বেলফিয়স য়ুরোহোক্কী চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল লৌবা ঙমখিবা নেদরলেন্দসকী নুপী হোক্কী টিম্না নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি অদুগা পান অমেরিকান গেমসকী চেম্পিয়ন আর্জেন্টিনানা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি। য়ুরোপিয়ান সিলভর মেডালিষ্ট জর্মনিনা মরিশুবা পোজিসনদা লৈরগা ইংলেন্দগী নুপী হোক্কী টিম্না ৫শুবা পোজিসনদা লৈরি।

নুপীগী হোক্কী টিম রেঙ্কিং অসিদা য়ুরোপিয়ান সিলভর মেডালিষ্ট স্পেনগী টিম্না পুন্না পোইন্ট ১৫১০ ফংদুনা ৮শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি। ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না হান্না লৈরম্বা মফমদগী থাক অমা হাইগৎলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে। কানাদাগী নুপী হোক্কী টিম্না পোইন্ট ১৩২৫ দা ১০শুবা পোজিসনদা লৈরি।

## সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুন অমদি চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রে

*তাইপৈ সিটি, সেপ্টেম্বর ০৮(এজেন্সি)ঃ*

চাইনিজ তাইপৈগী কোনুং তাইপৈ সিটিদা থা অসিগী ৩ দগী চত্থরকপা য়ু এস দোলর ৫০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা চাইনিজ তাইপৈ বেদমিন্টন ওপনগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্কুনা সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুন অমদি চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটলশিং লৌখ্রে।

চাইনিজ তাইপৈ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুননা ২শুবা সিদেদ কানাদাগী মিসেল লিবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুননা কানাদাগী মিসেল লিবু য়াম্না লায়না ২১–১১ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদসু সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুননা য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমখিবদগী মঙোন্দগী সিদিং ৱাংনা লৈরিবা কানাদাগী মিসেল লিবু অহানবা গেমদগী হেন্না ফজনা পোইন্ট ২১–৯ দা থোইবা ঙমখিবদগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অসি লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই চৌ টিয়েন চেননা সাউথ কোরিয়াগী হিও ক্বাং হিবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলুপ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখি।

অহানবা গেমদগী হৌনা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই চৌ টিয়েননা সাউথ কোরিয়াগী ক্বাং হিবু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিনবা ঙমদুনা গেম অদু ২১–১২ দা থোইদুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অসিদা গেম অমা মাঙজিল থারিবা চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা অনীশুবা গেমদা হেন্না ফজরক্কুনা সাউথ কোরিয়াগী হিও ক্বাং হিবু ২১–১৩ দা অনীশুবা গেম অদু থোইবা ঙমদুনা কাঙলুপ অসিগী টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ পেয়র মালেসিয়াগী গো ভি সেম অমদি টান ৱি কিওংনা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র চোই সোল গিয়ু অমদি সিও সিয়ুং জেবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২১–১৯, ১৫–২১, ২৩–২১ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

চাইনিজ তাইপৈ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী জোংকোলফান কিটিথারাকুল অমদি রাৱিন্দা প্রাজোংগাইনা ৩শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী পেয়র কিম সো য়িওং অমদি কোং হি য়োংবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১–১৯, ১৮–২১, ২৮–২৬ দা থোইদুনা কাঙলুপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স সবলসকী ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ হোং কোংগী পেয়র টাং চুন মেন অমদি সে য়িং সুয়েটনা ২শুবা সিদেদ পেয়র সাউথ কোরিয়াগী সিও সিয়ুং জে অমদি চে য়ু জুংবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৮, ২১–১০ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।







*নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন সুং জি হ্যুন (ওই) অমদি নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন চৌ টিয়েন চেন*

## অনীশুবা সিদেদ অমিত অহানবা রাউন্দ বাই ফংখ্রে

*ইকাটেরিনবর্গ, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সি)ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা হয়েংদগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা এসিয়ান গেমস গোল্ড মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা অনীশুবা সিদেদ ওইখিবদগী অহানবা রাউন্দ বাই ফংখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর অমিত পাঙ্গাল ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ৫২ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবনি। এসিয়ান সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর কাভিন্দর সিংহ বিষ্টনা কেজি ৫৭ কী কাঙলুপ্তা ৫শুবা সিদেদনি।

নুপাগী কেজি ৭৫ কী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর আসিস কুমারনা ৭শুবা সিদেদনি। নুমিৎ ১২ চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মালেমগী লৈবাক ৮৭ তগী লাকপা বোক্সর ৪৫০ হেনবনা লম্বা তৌনগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সরশিং অদুদি মনিস কোসিক (কেজি ৬৩), দুরয়োধন সিংহ নেগি (কেজি ৬৯), ব্রিজেস যাদব (কেজি ৮১), সঞ্জিৎ (কেজি ৯১) অমদি সটিস কুমার (কেজি ৯১ মথক) নি।

## অনৌবা ফোরেন কোচকী মতেংনা হেন্না মায় পাকপা ঙম্লগনি ঃ পি ভি সিন্ধু

*মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সি)ঃ*

হন্দক পাঙথোকখিবা বি দব্লিয়ু এফ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেলদা জপানগী নোজোমী ওকুহারাবু মায়থিবা পীবা ঙমখিবা অদু হন্দক্কী ইন্দিয়াগী নুপী বেদমিন্টন টিমগী অনৌবা ফোরেন কোচ ওইনা লাকখিবা কিম জি হ্যুনগী অচৌবা মতেংননি হায়না ওলিম্পিক্স সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী সট্টলর পি ভি সিন্ধুনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি সাহারা ইনিদয়া পরিবারনা শীন্দুনা হোটেল সুবুরবানদা পাঙথোকখিবা মহাকপু ওকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা হায়, কোচ অসিনা তাকপী তম্বীবগী মতুং ইন্না মহাক্কী শান্নবগী টেক্নিক্তা অহোংবা কয়ামরুম লৈখি, মসিনা মহাকপু অনৌবা শান্নবগী লৌশিং কয়া তানশিনবা ঙমহনবদা নত্তনা হান্নদগী হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমহনখি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী মকোক থোংবী নুপী সট্টলর পি ভি সিন্ধুনা হন্দক্তা স্বিটজরলেন্দগী কোনুং বাসেলদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন অদুগী ফাইনেল মেটচতা জপানগী নোজোমী ওকুহারাবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা গোল্ড মেডল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

হৌখিবা ২০১৭ দা শান্নখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মহাক জপানগী ওকুহারাগী মখুত্তা ফাইনেল মেটচ মায়থিবা নংখিবনি। অদুবু মদুগী করিসু নুংঙাইবা লৈতনা ইনৌ নৌবা মেটচ অমগুম করিসু চিংনদনা শান্নখিবনি। মসিনসু মায় পাকপগী অচৌবা মরম অমা ওইখি।

হন্দক পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগীদমক মতম কুইনগী মমাঙদগী হোৎনদুনা লাকখিবনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা চাইনাগী চেন য়ুফে অমদি জপানগী নোজোমী ওকুহারাগা শান্নখিবা মেটচ অনীদুনা খ্বাইদগী লুবা মেটচশিং ওইখি। অদুবু ফোরেন কোচনা মঙোন্দা তাকপীখিবা অনৌবা টেক্নিকশিং অসিনা মহাকপু ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেল মেটচ অদু মায় পাকহনখিবনি হায়না পি ভি সিন্ধুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।



## বৃটেনগী ফারাহনা গ্রেট নোর্থ রনগী ৬লকশুবা টাইটল লৌখ্রে

*লন্দন, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা পাঙথোকখিবা গ্রেট নোর্থ রনদা বৃটেনগী মো ফারাহনা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা ওইনা থংন–থংননা ৬লকশুবা টাইটল লৌখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা গ্রেট নোর্থ রন অদুদা দবল ওলিম্পিক গোল্ড মেডালিষ্ট বৃটেনগী এথলেট মো ফারাহনা ৫৯ মিনট ৬ সেকেন্দদা চেন্দুনা মকোক ওইবা ঙমখিবনি।

গ্রেট নোর্থ রন অসিদা ওলিম্পিক গোল্ড মেডালিষ্ট ইথিওপিয়াগী টামিরাট টোলা অরোইবা মাইলদা খরা শোত্থহৌবদগী অনীশুবা পোজিসন তাহৌখি।

ওলিম্পিক গেমসকী মিটর ৫০০০ অমদি ১০,০০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেডল লৌখ্রবা বৃটেনগী এথলেট মো ফারাহনা চহী অসিগী ওক্টোবর থাদা চিকাগোদা পাঙথোক্কদৌরিবা মরাথোন লমজেল অসিগীদমক শেম শাগনি। মসিগী মতুংদা মথংগী চহীদা টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা মীৎয়েং থমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী লমজেল অদুবু য়েংলিবা মীয়াম্না য়াম্না লাঙবা অদু ঐ খঙখিদে অদুবু মহাক্না য়েংথোরকপদা পম্বুং ফম য়ৌগদবা খজিক্তমক ঙাইরমখি হায়না মশাগী চহী ৩৬শুরবা মো ফারাহনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ক্রোসৱার্দ ২৭৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | P | E | C | | C | A | P | O | N | | | L | A | S |
| N | O | L | O | | A | T | O | N | E | | H | E | F | T |
| U | L | A | N | | S | H | O | O | F | L | Y | P | I | E |
| B | O | N | S | P | I | E | L | | | O | P | E | R | A |
| | | | P | E | N | N | | P | A | P | E | R | E | D |
| F | L | Y | I | N | G | S | A | U | C | E | R | | | |
| R | O | A | R | S | | | B | R | E | D | | P | E | P |
| I | N | R | E | | F | R | E | E | D | | B | O | L | E |
| T | E | D | | M | O | O | T | | | H | O | U | S | E |
| | | | V | E | N | U | S | F | L | Y | T | R | A | P |
| G | A | L | E | A | T | E | | A | I | D | A | | | |
| A | L | E | R | T | | | A | T | T | E | N | D | E | D |
| F | L | Y | B | Y | N | I | G | H | T | | I | A | G | O |
| F | A | T | S | | O | R | I | E | L | | S | L | A | M |
| E | Y | E | | | G | E | N | R | E | | T | I | D | E |